

# পোইবী ময়েক সনালৈবাক

(চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে)

ঙরাং দিপ্যুটি সি এম গাইখাঙমনা নুংবাদা নৌনা শাবা ত্রাইবেল মার্কেট শঙ্গাখিবা

চিংমৈরোংদা লৈবা ত্রাইবেল রিছার্চ সেন্টরদা পাঙথোকপা ৩ শুবা ত্রাইবেল কলচরেল ফেষ্টিভেলগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা কলচরেল গ্রুপ অমনা পার্ফোমেনন্স পীখিবা




UNACCO GROUP

WALK IN-INTERVIEW

***For the post of Male Helpers***

UNACCO Group, requires Male Helpers for its Head Office at Khongman. The post is most likely residential.

**Qualification:** Minimum class VIII pass with relevant experience.

**Salary will be best commensurate with the industry.**

Rush with your resume and original testimonials on 1st February, 2014 (Saturday) in between 09a.m. to 1p.m. at UNACCO TOWER, Khongman Zone-III (West), Imphal East, Manipur.


Vol : 40 Issue : 155 Pages : 8 Website: www.sanaleibak.in Imphal , Wednesday, January 29, 2014 য়ুমশকৈশ, ৱাকচিংগী ২৮ / ২৯ নি E-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, RNI Regd. No. 31350/77 ₹ 3.00

## ঙসিগী অঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী ঈংবা চাং ঃ ১১°

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৯°

নুমিৎ থোকপা অয়ুক পুং ৫.৫৮
নুমিৎ তাবা নুংথিল পুং ৪ঃ৫৬

নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ৩২

## GAS NEWS

লমাই ২ গী কলম ১ দা য়েংবীয়ু

## লোইরেদনা




## খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো থিয়েটর ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

# আর্ট ফোর্মশিং য়োকখৎপদা মতেং পীগনি ঃ গভর্নর



*এসএনএস*

*ইস্ফাল, জনুৱারি ২৮ঃ* মণিপুর অসি কলচরেল হেরিটেজ য়াম্না ইনাক খুনবা লম অমনি হায়বসি ঙসিদি ইন্দিয়া খক্ত নত্তনা মালেমগী মফম কয়াদসু খঙনরে। লমদমসিগী শিথরক্লবা আর্ট ফোর্মশিং য়োখৎনবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পীগনি হায়না মণিপুরগী গভর্নর বিনোদ কুমার দুগ্গলনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো থিয়েটর ফেষ্টিভেল ২০১৪ লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা গভর্নর ভি কে দুগ্গলনা মণিপুরগী কলচর অমসুং মসিনা খুন্নাইসিদা পীরিবা মহৈগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

লমদমসিগী কলচরনা মণিপুরবু মালেমদা মশক তাকপগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না চাওথোকচনিংঙাই ওইরিবদি হৌজিক মতমগী থিয়েটরদা মমিং লৈরবা রতন থিয়াম অমসুং কনহাইলাল অনিগী পোক্লফম লমদম ওইরম্বা অসিনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা দুগ্গলনা হায়, মসিগীসু মথক্তা থিয়েটরগী তোঙান তোঙানবা মায়ওনদা এক্সপরিমেন্ট তৌরিবা অনৌবা কয়া অমসু থোরক্লি।

মণিপুরদা প্রোসিনিয়ম থিয়েটর থেংনা য়ৌজরক্লবসু মশাগী ওইবা পার্ফোমেন্স শেমগৎচদুনা পুথোকচবা গোষ্টা লীলানচিংবা কয়া অসি য়াম্না তোপ তোপ্পা শিংথানিংঙাই ওইবা অমনি। মশাগী কলচর ইনাক খুন্না লৈরিবা মণিপুরদা মতমগী মতুং ইন্না শিথরক্লবা আর্ট ফোর্মশিং য়োকখৎনবা হোৎনবদা মিৎয়েং চঙগনি। লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু গভর্নরনা ফোঙদোকখি।

মখা লমায় ৫ কলম ৫ দা

# ‘চীংদা পামলৌ উবা লেপহন্নবা স্কিম পায়খৎলগনি’

*এস এন এস*

*ইস্ফাল, জনুৱারি ২৮ঃ* মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা পামলৌ উরগা হিংনবগী লম্বী ওইরিবা মীয়ামগী ওইনা অনৌবা হিংনবা লম্বী পীদুনা পামলৌ উবা থিংননবা সরকারনা স্কিম পায়খৎনবা থৌরাং লৈরে হায়না ডিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংবা বজারদা এন এল সি পি আরগী মখাদা লুপা কোটি ১.৪৭ চংনা শাখিবা মল্টি পর্পজ ত্রাইবেল মার্কেট কমপ্লেক্স শঙ্গাবগা লোয়ননা ৪ শুবা ওল জেলিয়াংরোং কেথোলিক ৱুমেন্স সোসাইটিগী কনফরেন্স হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ডিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টরনা হায়, রিহেবিলিটেসন স্কিম ওফ ঝুমিয়া ফেমিলিজ হায়না খঙনবা স্কিম অসি মণিপুরদা পায়খৎনবগীদমক ভারত সরকারনা অয়াবা পীরক্লে। স্কিম অসিগী মখাদা হান্না পামলৌ উদুনা হিংনবগী লম্বী ওইরম্বা মীওইশিং অসি খুদক্তা পামলৌ উবা খঙলেপ লেপহনবা য়াদবনা তঙাইফদনা তপ্পা তপ্পা অতোপ্পা হিংনবগী লম্বী পীরগা পামলৌ উবগী থবক অসি হোংদোকহনবগী তঙাইফদবা লৈরক্লে।



*ওল জেলিয়াংরোং কেথোলিক ৱুমেন্স সোসাইটিগী ৪রক শুবা কনফরেন্স শরুক য়াবা লাকখিবা দিপ্যুটি সিএম গাইখাম মীয়াম্না ওকপা*

স্কিম অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা ডিপার্টমেন্টশিং খুৎশম্নদুনা পুন্না চংশিন্দুনা মখোয়গী হিংনবগী লম্বী

মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

# চাক ইঙ্খাং য়াওবা টিফিনদা বোমনি হায়না মীপাইনরুরে

*এনএসএস*

*ইস্ফাল, জনুৱারী ২৮ঃ* থাসিগী ২৬তা পাঙথোকখিবা ৬৫শুবা রিপব্লিক ডে থৌরম নুমিত্তা ইম্ফাল সহর মনুংদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা বোম ফিট তৌদুনা পোকখায়খিবগী থৌদোক থোকখিবগী ফোং ফোং শারিঙৈ চৈরক ঙসি শিংজমৈ সুপর মার্কেটতা শকখঙদবশিংনা থম্লম্বা হোট কেস অমদি বেগ অমদা বোম লৈরে হায়দুনা মীয়াম্না মীপাইনরুরে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা শিংজমৈ বজারদা লৈবা সুপর মার্কেটকী মেইন রোদ নাকলগী কাখৎফম ষ্টিয়ারগী মখোঙদা হোট কেস অমা অমদি মথক্তা খাও অমা লৈরম্বদগী চিংনদুনা বোম ওইরবোই নিংদুনা শিংজমৈ পুলিসতা পাউ পীখি। মতুংদা মফম অদুদা কনামত্তা চংহন্দনা থম্লবা মতুং পুলিসকী বোম এক্সপার্ট নুমিৎয়ুংবা মতুং ১২.০৫ রোম তাবদা লাক্লগা সুপর মার্কেটতা লৈরিবা দুকানশিং থোং লোলহনখি অমদি মফম অদুদা চথোক চৎশিন

মখা লমায় ৫ কলম ৫ দা

# মীগী শরূ পোল্লাং অমা ফংলে

*এসএনএস*

*ইস্ফাল, জানুৱারী ২৮ ঃ* ঙরাং নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী থৌবাল পুলিসকী মনুং চন্না লৈবা থৌবাল খুনৌ লাইরেন অচৌবা চীংথক্তা মীওই অমগী শরূ পোল্লাং অমা ফংলে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউদা শরূ পোল্লাং অদু চীংথক্তা শীং য়ানবা চৎলুবা মীওই খরনা থেংনরকপনি। মমাং চহিগী নোংজু থা মতমদা মফম অদুদা উশোই ফুকপা চৎখিবা মীওই খরনা শরূ পোল্লাং লৈরল্লিবা মফম অদুদগী মিটর ১০০ রোম চৎলগা লৈবা জগা অমদগী ঈ তৈবা খুদৈ অমা থেংনখি। খুদৈ থেংনখিবা মীওইশিং অদুনা মতম অদুদা মফম অদুদা অশিবা হকচাং নত্রগা অশোক অপন য়াওবা মীওই লৈরম্বা য়াই খন্দুনা কোইথি থিখি। মদুদা করিগুম্বা অমত্তা ফংখিদে। ঙরাং শরূ পোল্লাং ফংলিবা মফম অদুদা খুদৈ অদুসু অদুমক তাদুনা লৈরমখি। থৌবাল পুলিসনা শরূ পোল্লাং অদু ঙসি নুংথিল ষ্টেট ফোরেন্সিক লেবোরেটরিগী মীওইশিংগা লোয়ননা মফম অদুদা চত্তুনা ইনক্বেষ্ট তৌরবা মতুং জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

# ইশাগী কলচর য়োকখৎতুনা থম্নবা ১দি ঙাক শেন্নবগীদমক য়ুনিটি লৈনবা হোৎনগদবনি

*এসএনএস*

*ইস্ফাল, জনুৱারি ২৮ঃ* মণিপুরদা লৈরিবা ভারত সরকারনা শকখংলবা ত্রাইবেল ফুরুপ ৩৪ গী নাৎকী ওইবা কলচর য়োকখৎতুনা থম্নবা অমদি ঐ–ঐগী কলচরবু ঙাক–শেন্দুনা থম্নবগীদমক ঐখোয় মশেল নুংশি চান্নবা লৈমিন্নদুনা য়ুনিটি লৈহনবা মথৌ তাই হায়না হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোনসিংনা ঙসি চিংমৈরোংদা লৈবা ত্রাইবেল রিছার্স সেন্টরদা পাংথোকখিবা অহুম শুবা ত্রাইবেল কলচরেল ফেষ্টিভেলগী নিনি চনবা নুমিৎতা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াবদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা, ঙসি মণিপুরগী ত্রাইবেল ফুরুপশিং অসিগী মশা–মশাগী কলচরগী শক্তমশিং ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক ভারত সরকারনা ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্ট কয়া পীরক্লি। ঙসি ত্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা পাংথোক্লিবা অহুম শুবা ত্রাইবেল কলচরেল ফেষ্টিভেল অসি লমদম অসিদা লৈরিবা ভারত সরকারনা শকখঙলবা ত্রাইবেলশিংগী নাৎকী শক্তম অমদি কলচরগী লৈগদবা মশকশিং অদু য়োকখৎতুনা থম্নবগী পান্দমদা পাংথোকপনি। ভারত সরকারনা জাতি ফুরুপশিংগী মশা–মশাগী কলচর ঙাক–শেন্দুনা থম্নবা হোৎনরি।

মখা লমায় ৫ কলম ৩ দা




Smt. Sonia Gandhi
Chairperson, UPA



Dr. Manmohan Singh
Prime Minister

**LIFE EXPECTANCY**
**INCREASED BY 5 YEARS**
**IN THE PAST DECADE**

- Indians are now living longer due to consistent public health investments since 2004-05
- Infant Mortality Rate dropped to 42 from 58 per 1000 live births; allocation for Integrated Child Development Scheme increased by four-fold in the 12th Plan
- Health sector allocation increased by 335% to ₹ 3 lakh crore in the 12th Plan
- Launched National Urban Health Mission

भारत निर्माण के प्रमाण

REACHING PEOPLE, CHANGING LIVES.

davp 22111/13/0218/1314